**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবা নুমিৎকা মরী লৈননা মণিপুরদা হয়েং মার্টিয়রস ডে পাঙথোক্কনি।

২) এ.আই.সি.সিগী লীচিং মখাদা ভারত পুম্নদা চহি অমা চুপা চথুগদবা জয় বাপু, জয় ভিম, জয় সংবিধান অভিয়ান মণিপুরদসু ঙসি হৌদোকখ্রে।

৩) মণিপুর পুলিসনা ড্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই অনি ময়াই কাবা ড্রগকা কোন্ননা ফারে।

৪) গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম ঙসি নিউ দিল্লিগী বিজয় চোক্তা বিত্তিং দ রিট্রিট পাঙথোক্তুনা লোইশিনখ্রে।

অমসুং

৫) উত্তরাখন্দদা চথুরিবা ৩৮ সুবা নেসনেল গেমসকী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুর সনাগী তকমান ৪, লুপাগী তকমান ৪ পুন্না তকমান ৮ লৌদুনা অনিসুবা মফমদা লৈরি।

------

ডে (এল)ঃ লৈবাক অসিনা হয়েং জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিনা লৈখিদবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা মার্টিয়রস ডে হায়না পাঙথোক্কনি। মণিপুরদসু থৌরম অসি রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা পুং ১০ মিনিত ৫৯ দগী পুং ১১ ফাওবা মিনিত অমা চুপা সাইরেন খোংগনি। অতোপ্পা সাইরেন অমসুং পুং ১১ মিনিত ২ দগী পুং ১১ মিনিত ৩ ফাওবা খোংদুনা থৌরম অদু লোইশিনগনি।

হোম কন্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সাইরেন অসি খোংলিঙৈ মতমদা মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা তুমিন্না লেপ্তুনা অমদি গাড়ি থৌরিবশিংনসু গাড়ি খামদুনা ইকায় খুমবা উৎপীয়ু।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লা অমদি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, মার্টিয়র্স ডেগা মরী লৈননা হয়েং অয়ুক পুং ৯ দগী হৌরগা থৌরম অসি লোইদ্রিবা ফাওবা  ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলগী অকোইবদা লৈরিবা লম্বীশিংদা চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি হায়না ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম পাংথোক্লিঙৈ মনুংদা কৈশামপাৎলোমদগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট তমা লাকপা গাড়িশিংনা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তগী জেনেরেল পোষ্ট ওফিস শঞ্জেন থোংলোমদা থৈদোক্তুনা চৎকনি। নোর্থ এ.ও.সিদগী এল.আই.সি. ক্রোসিং তমা লাকপা গাড়িশিংনা খোঙনাং অনি কারক, এম.জি. এভিন্যুদগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটলোমদা লাকপা গাড়িশিংনা ওল্ড পৱার হাউসতগী এল.আই.সি ক্রোসিংলোমদা চৎহনগনি। লোয়ননা শঞ্জেন থোং অমসুং জেনেরেল পোষ্ট ওফিসলোমদগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটলোমদা লাকপা গাড়িশিংনা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তগী কৈশামপাৎলোমদা অমদি উরিপোকলোমদগী কংলা তমা লাকপা গাড়িশিংনা নিত্যাইপাৎ চুথেকলোমদা চৎকদবনি। হায়রিবা অহোংবা অসি থৌরম লোইদ্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

কংগ্রেস (এল)ঃ   ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতি (এ.আই.সি.সি)গী লুচিংবা রাহুল গান্ধি অমদি মালিক আর্জ়ন খরগেগী লীচিং মখাদা ভারত পুম্বদা চহি অমা চুপা চথুগদবা জয় বাপু, জয় ভিম, জয় সংবিধান অভিয়ান মণিপুরদসু ঙসি হৌদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা কেম্পেন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সি.দব্লিউ.সি মেম্বর গাইখাঙম, সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্র, এম.এল.এ, এম.পি.সি.সিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট য়াওনা দল অসিগী মরুওইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

জয় বাপু, জয় ভিম, জয় সংবিধান হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা কেম্পেন অদু হৌদোক্লদুনা এম.পি.সি.সিগী পসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা চহি অমা চুপনা চত্থগদৌরিবা কেম্পেন অদুগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি। লোয়ননা কেম্পেন অসি চত্থবগী ব্রাখল্লোন য়াওবা চেরোল অমসু মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সি.দব্লিউ.সি মেম্বর শ্রী গাইখাঙমনা হায়- ভারত্তা সাসন তৌরিবা বি.জে.পি সরকার অসিনা জাতিগী মপানি হায়না লৌনরিবা মহাত্মা গান্ধি অমদি সংবিধানগী মপানি হায়রিবা ডাঃ ভিম রাও অম্বেদকরগী আইদোলোজিবু নমথনবা হোৎনরকপগুম তৌরি। মসিমক য়ামা লাইবক থিবনি। লৈবাক্কী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি মীয়ামদা খঙহন্দুনা সংবিধান অমদি গনতন্ত্র কনদবা য়াদে। মরম অদুনা ঙসিগী অসিগুম্বা কেম্পেন অসি চহি অমা চুপা চত্থগদৌরিবনি।

নুমিৎ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা হয়েংদগী মীয়ামগী নুমিৎ পোরোম্পাৎতা লৈবা দি.সি.ওফিস কমপ্লেক্সকী পঞ্চায়েট ভবনদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীদুনা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা পীরিবা খুদোংচাবশিং লৌবীনবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর খুমন্থেম দাইনানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ড্রগ (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা ড্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই অনি ময়াই কাবা ড্রগকা কোন্ননা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং এস.দি.পি.ও লমফেলগী লমজিং মখাদা পাৎশোই অমসুং সেকমাই পুলিসকী অপুনবা কাংবু

অমনা মীওই অমা ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ৪ হেনবগা কোন্ননা নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী পরিংদগী ফারে। ফারবা মীওহ অদু অসামগী কছার জিলাগী মনুং চনবা নুতন রামনাগর পার্ট ৱানদগী হৌজিকা লিলোং বজারদা লৈবনি। ময়াই কাবা ড্রগকী পোৎলমশিং অদু ৱেলদিং মেছিন হাপ্পা বোক্স অমদা লোৎলগা পুরম্বনি।

অমরোমদা, সেকমাই পুলিসকী কাংবু অমনা কংলাতোংবী মন্দির মনাক্তগী মীওই অমা কানি কিলোগ্রাম ১৩ হেনবগা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদু কংলাতোংবী বজারদগনি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মীওই অদুনা অসামগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ওইবা অমুবা মচুগী ক্রেতা কার অমদা পুদুনা লাকপদগী ফাবনি। থৌদোকশিং অসিগা মরী লৈননা মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা সেকমাই পুলিসতা অমমম লৌখৎলে হায়রি।

হোম গার্দ (এল)ঃ হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হাই কোর্ট ওফ মণিপুরনা পিখিবা রাইশিং থবক্তা ওন্থোকবা মরী লৈনবশিংদা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যারস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা মুখ্য মন্ত্রিদা ঙসি অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা হায়-হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা এরিয়র, প্রমোসন পীবগী গাইদলাইন শেম্বা, তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনেরেল অমা হাপ্পা, থবক তৌবগী মতম চহি ৬০ দগী ৬২ দা শাংদোকপা অমদি দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স হেনগৎনবা কোর্টনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবা লৈরে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তবনা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লি। মরম অদুনা কোর্টনা থবক্তা ওন্থোকবা অমদি মকোক থোংবশিংগা খন্ননবা পীখিবা রাইশিং অদু থবক্তা ওন্থোকবা মুখ্য মন্ত্রিনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়না চেরোল অদুদা পল্লি।

রোড সেফতি (এল)ঃ ৩৬ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থকা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাব্লিক ট্রান্সপোর্টকী ড্রাইভরশিংগী ওইবা লেমা

লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা ডোক্তর ৬ না দ্রাইভর ৫০ রোম মীৎ অমদি ই.এন.টিগী স্ক্রিনিং তৌখি।

ঈ-চলান (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে অমদি ষ্টেট হাইৱেশিংদা ত্রাফিক্কী চৎনকাংলোন থুগাইদুনা গাড়ি থৌরিবশিং ঈ-চলান কক্তুনা ফাইন থিহনবগী দ্রাইভ অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস.পি. রাকেশ বলৱন্না হৌদোকখ্রে।

ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস থৌবালনা শিন্দুনা নেসনেল হাইৱে ১০২ ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী থৌবাল দি.সি গেট মমাংদা চথখিবা দ্রাইভ অদুদা হেলমেট উপ্তুনা গাড়ি মচা থৌরকপা মীওইশিংগী ঈ-চলানগী খুত্থাংদা ফাইন থিহনখি। দ্রাইভ অদুগা মরী লৈননা এস.পি. রাকেশ বলৱন্না হায়- ঙসি হৌদোক্লিবা দ্রাইভ অসি মরুওইনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোকপা মতমদা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। লোয়নননা খোঙথাং অসিনা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইদুনা গাড়ি থৌরিবশিংনা ফাইন থিবা মতমদা হেন্না মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্লগনি। মীয়ামসু য়ারিবা মখৈ ত্রাফিক্কী নিয়মশিং ঙাকা চৎনবসু এস.পিনা আপীল তৌরি।

মায়োল (এল)ঃ ককচিং জিলাগী খোংয়ামদা ময়োলনা শিন্দুনা খুন্নাই অসিদা নিশানা মাংহল্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। নিশাগী মায়োক্তা শিংনবা অমগা লোয়নননা ঐখোয় পুমমকা লেপ্পশি হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়নননা নিশাদগী লাপা লৈনবা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

মীফম (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং-তেন্থা সি.দি. ব্লোক্কী মখাদা লৈবা কাংয়াম্বেম গ্রাম পঞ্চায়টকী স্পেসিয়েল গ্রাম সভা মীফম ঙসি শলুংফম কাংয়াম্বেম ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। পিপলস প্লান কেম্পেন ২০২৫-২৬ কা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগ কয়াগী মীওইশিং লাক্তুনা খন্ন-নৈনখি।

আর ডে ঃ গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম ঙসি নিউ দিল্লিগী বিজয় চোক্তা বিত্তিং দ রিত্রিট পাঙথোক্কুনা লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অমদি কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি। কুমশি চহিগী থৌরম অসিদা ভারত লান্মী, নেভি, এয়ার ফোর্স অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পার্সোনেলশিংগী তৌবা ঙন্বা কয়া উৎখি। বেন্দ পার্তিশিংনা লৈবাক নিংবা ঈশৈ খোংদুনা মীয়ামগী পুকিং চিংশিনখি।

দিল্লিঃ মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ভোট খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপকীদমক ঙমজবী থাদুনা ভোট খোমরি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমদি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নোর্থ ইষ্ট দিল্লিগী যমুনা খাদরদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংখি। শ্রী মোদিনা হায়- দিল্লিগী মীয়ামা লাইরবশিংগী ময়ুম মকৈ শাবীবা ঙন্বা, য়ুমথোঙ খুদিংদা থকবা অফবা ঈশিং ফংহনবা, দিল্লিবু হেন্না চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনবা অমসুং মাফিয়াশিং লৈতবা লমদম অমা ওইহনবা পাল্লে। মসিগীদমক মীয়ামা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীবা ঙন্বা লুচিংবা খনবগী তঙাইফদবা লৈ। কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা বিকাশপুরি অমসুং মতিয়ালাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

আম অদামি পার্টিগী কনভেনর-অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা বদলি অমদি তিমারপুর বিধান সভা কেন্দ্রদা মীয়ামগী রেল্লি অমদা শরুক য়াখি। পঞ্জাবগী মুখ্য মন্ত্রি ভগৱান্ট মান্না রাজোরি গার্দেন, তিলকনাগর অমসুং বিকাশপুরিদা মীখলগা মরী লৈনবা রোডসোশিংদা শরুক য়াখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

এন-গেমস ঃ উত্তরাখন্দদা চৎথরিবা ৩৮ সুবা নেসনেল গেমসকী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুর সনাগী তকমান ৪, লুপাগী তকমান ৪ পুন্না তকমান

৮ লৌদুনা অনিসুবা মফমদা লৈরি।

মণিপুরগী ওইনা ত্রাইএথোলোনদা সনাগী ১ অমসুং লুপাগী তকমান ১ লৌখি। ঙসি অনিসুবা নুমিৎকী ব্লুসু মশান্নদা নুপীগী চাং ক্লান কম্পিতিসনদা মণিপুরগী টি. সায়া চনুনা সনাগী তকমান লৌখি। অদুগা নুপাগী নন-ক্লানদা বোরিস য়ুরেম্বম অমসুং নুপীগী নন-ক্লানদা কোঞ্জেংবম লক্সমিনা সনাগী তকমান অমমম লৌখি। অদুগা নুপীগী নন-ক্লানদা ঐচ. লাংলেন তোম্বীনা লুপাগী অমদি নুপীগী চাং ক্লান, কে. পান্থোই দেবীনা লুপাগী তকমান অমসুং নুপাগী চাং ক্লান কম্পিতিসনদা মার্সেল শলামনা লুপাগী তকমান অমমম ফংখি।

ফুটবোল (এল)ঃ টি.এস.এফ.এ তোপ সিফাইনা ৬ শুবা এস.ঐচ. মনি শর্ম্মা মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোলগী চেম্পিয়ন ওইরে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরকখিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা টি.এস.এফ.এ তোপ সিফাইনা এন.বি.সি.এ তাকয়েল খোঙবানবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনবা মঙাশুবা চন্দ্রনদি ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মরিসুবা প্রিক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ৱাংগোই এফ.সিনা ৱাই.এস.সি নাওরেম চাপ্রৌবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। মঙাসুবা প্রি ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এ.এল.সি.সি.ও চজিংনা মৈক্রাও এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ.সি. লমজাউনা এম.পি.এ-এ থোনাউজমবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ করনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএলগী মরিশুবা ইন্টর ক্লব ফুদসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- এস.এস.সিনা এম.আই.য়ু.এফ.সিবু পাঞ্জল ১২-৪ দা থোইখ্রে, অতোপ্পা

মেটচ অমদনা ই.এস.য়ুনা এম.এস.ঐচপু পাঞ্জল ১১-৪ দা থোইখি। নুংথিল শান্নখিবা মেটচশিংদনা আর.এফ.সি.সিনা ক্লাসাবু পাঞ্জল ১১-১ দা থোইখি। অদুগা এস.এফ.সিনা কে.আই.ৰাই.সিবু পাঞ্জল ১৩-২ অমসুং পি.এফ.সিনা য়ু.ৰাই.পি.এবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ  ক্রিকেটতা, চহি ১৫ গা মখাগী অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৰিমেন্স ৰান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা ৰাই.পি.ঐচ.য়ু.সিবু ৰিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

নুপাগী চহি ১৪ গী কাংলুপ্তা মরিশুবা এম.এন.সি.এ. টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- অল অমিন লিলোংনা ব্রাউ ক্লাকেথেলবু ৰিকেট ৪ দা থোইখি। লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা সেদো থাংমৈবন্দনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু রন ৮৮ দা থোইখি। সেদো গ্রাউন্দ কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা এন.সি.এ নম্বোলনা সি.ৰাই.এস.এ খাঙবোকপু রন ৯৯ দা থোইখি। অদুগা খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা শান্নখিবা মেটচতনা আর.সি.এ লিলোংনা এল.সি.সি লমশাংবু রন ১৮৪ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ  ৯ শুবা এম.এন.সি.এ- দব্লিউ. প্রহ্লাদা অমদি দব্লিউ. রামানন্দ ইলিট তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি মোদলে হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট-ফোরনা এস.সি.সি.সি শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু ৰিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

অদুগা মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিনা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখাবু ৰিকেট ৪ দা থোইখি।

------